**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চুরাচান্দপুর জিলাদা ঙসি থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা নুপী অহুম য়াওনা মীওই মরি শিরে, খরা অমনা অশোক অপন নংলে।

২) এম.এল.এ য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

৩) সেনাপতি জিলাগী লম হেক্তর ১২.৯ দা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

৪) নোনে জিলাগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদগী থিংঙৌ রেলৱে ষ্টেসন ফাওবগী স্পিদ ত্রাইয়েল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিদা লৈরিবা মেদিকেলগী অখণ্ড অহৈশিংনা এন্তি বাইওতিক হেন্না শিজিন্নদনবা চেকশিন ৱা থম্লক্লি।

------

এক্সিদেন্ট(এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাদা ঙসি থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা নুপী অহুম য়াওনা মীওই মরি শিরে, খরা অমনা অশোক অপন নংলে হায়রি।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- থৌদোক অদু চুরাচান্দপুরগী নিউ লমকাদগী সিংহাৎ সব-দিভিজনগী মনুং চনবা নালজাং খুলতমা চৎপগী লম্বীদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা নালজাং খুল ময়াদা থোকখিবনি। পেসেঞ্জর পুবা ত্রক অদু লুহোংবা য়াওবা চৎপনি। ত্রক অদুনা অঙম্বা চীং কাখৎনবা হোৎনবদা ব্রেক ফেল ওইবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি। মফম অদুমক্তদা মীওই মরি অদু লৈখিদবনি। শোক্লবশিং লায়েংনবগীদমক হোস্পিতালশিং পুখ্রে হায়রি।

কুমওন(এল)ঃ এম.এল.এ য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা শান্তি লাকবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী চাউরবা দাইত লৈ। মহাকা হায়- মীয়ামা য়ারিবা মখৈ তোকঙাদা থাজদুনা মদুদগী ৱারেপ লৌদনবা হোৎনগদবনি।

ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মণিপুর প্রেস ক্লব লিংখৎখিবগী ৫১ শুবা কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- অফবা তৌবদা থাগৎপগী হৈনবী লৈশি, ফত্তবনা ফত্তে হায়বগী চৎনবী লৈহনশি। শ্রী খেমচান্দনা হায়- মণিপুরদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা ৱারী শান্নবা নত্তনা অতোপ্পা উপাই অমত্তা লৈতে। মসি লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিনা ময়েক লারবা খুদম ওইরি। লমদম অসিগী সি.এস.ওশিংনা শান্তি পুরকবা লৌরিবা থৌদাং অসি অনৌবা খোঙথাং অমনি। সাইতোনগী বোম পোকখায়বদা শোক্লবশিং অথুবা মতমদা ফবা ওইরসনু হায়রদুনা এম.এল.এনা হায়- লমদম অসিদা শান্তি লাক্লে হায়না খন্নরকপা মতম অসিদা বোম পোকখায়বা নত্রগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অসি করম্বা এজেন্সিগা য়াওরবনো হায়বদু হংবা য়াবা ৱাফমনি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(অমজ)না শিনবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ- খোবান্তাবম ইবোমচা, সাপম কুঞ্জকেস্বর, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনগী দাইরেক্তর ঙাঙোম উট্টম, ইদিতর্স গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম অমসুং অমজগী প্রসিদেন্ট অসেম ভক্তা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অমজ্গী কেলেন্দর অমসুং দাইরিসু ফোংখি। প্রেস ক্লবকী হান্না সেক্রেটরি ওইরম্লবশিংসু ইকায় খুমবা উৎখি।

গভর্নর (এল)ঃ থা অসিগী ৯ দগী ১২ ফাওবা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কদবা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা রাজ্য অসিগী নহা ৩৯ গা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে।

ইম্ফালগী লোক ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী রাজ্য অসিবু মহুৎ শিন্নবা খনগৎলবা নহাশিং অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। রাজ্যপালনা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগতা রাজ্য অসিগী নহাশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা নহাশিংগা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকদুনা লৈবাক অসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত করমা ওইহনগদগে হায়বগী মতাংদা অচৌবা তাঞ্জা অসি লৌহৌগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেতরি প্রবিন অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাগী অপ্পর অমসুং লৱার খাবুং চীংশাং পরিংদা আইন কায়না লম হেক্তর ১২.৯ দা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং অমসুং শঙ অমা ঙসি সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজন, মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, এন.সি.বিগী পার্সোনেলশিং অমসুং খুলগী ভোলুন্তিয়ারশিংগা লোয়ননা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। আইন কায়না পোপ্পি থারম্বশিং মশক খঙদোক্তুনা ফাননা হোৎনরি হায়রি।

ওপরেসন অদু লমদম অদুদা নার্কোতিক ড্রগকী পোৎলমশিং শুংবা অমসুং লল্লোনবা থিংনবা পান্দমদা চখিবনি। আইন কায়না পোপ্পি থাবা অসিনা মীয়ামগী হকশেল চাউনা শিংনরকপদা নত্তনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া

মায়োকহল্লকপা য়াই। নার্কোতিক্স, ড্রগ এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্ট ১৯৮৫ গী মখাদা পোপ্লি থাবা য়াদে।

অমরোমদা ঙসি শরুক য়াখিবা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা খুঞ্জাশিংদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা অমদি আইন কায়না পোপ্লি থাবা থেংনরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীবীনবসু খঙহল্লি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদগী থিংঙৌ রেলৱে ষ্টেসন ফাওবগী স্পিদ ত্রাইয়েল ঙসি পাঙথোকখ্রে। রেলৱেজগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়ার সার্কলগী রেলৱে সেফতি কম্মিসনার সুমিত সিংহলনা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিনখি। ইন্সপেক্সন টিম অসিনা য়েংশিল্লবা মতুং রেল তাল্লি অসি হাই স্পিদকী অয়াবা পীরবদি অথুবা মতমদা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়ার রেলৱে, লমদিং দিভিজনদগী পোৎ চৈ অমসুং পেসেঞ্জর সার্ভিস অথুবা মতমদা হৌরগনি।

নিংশিংবা য়াই, আগরতালাদগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন তমা পেসেঞ্জর পুবা জন্ন-সতাব্দি রেল হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে থাদা অহানবা ওইনা চেনখিবনি। অদুবু রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসিনা পেসেঞ্জর সার্ভিস অসি ঙসি ফাওবা থিংদুনা লাকপনি।

বিমোল (এল)ঃ লোক সভা সদস্য ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন খুলদা চত্তুনা হন্দক্তা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই অনি অশোক অপন নংখিবা অদু য়েংশিনখ্রে। মহাকা মফম অদুদা চৎপদা মফম অদুবু ঙাক শেল্লন্বা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা বফর জোন ওইবনা চংবা য়াদে হায়খি। এম.পিনা হায়-অসিগুন্বা বফর জোন থল্লিবা অসি থমফম থোক্তবনি। মসিনা রাজ্য অসিগী তোখায় তোখায়না তাহন্নবগী মরম ওইরি। ইশাগী ইরমদমদা নিংতমা চৎপা ঙমহন্দবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

কন্দেম (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোনদা ঙরাং অয়ুক অঙনবদা বোম মথং মথং পোকখায়বগী থৌদোক অদুবু মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা

ফোংদোকরক্লি। ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি ককচিং বজারদা লৈবা ইবুধৌ নাওহোলাই লম্পাক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামা মীচমদা অতমনা অকি অখঙ থোকহনবীগনু, শাইতোনদা বোম পোকখায়হনবগী থৌওং য়ানিংদে অমদি লৈঙাকা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়বা প্লে কার্দশিং পায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম রাজেন্দ্রনা হায়- শাইতোনদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীচম প্রজাশিংবু শোকহনখিবা অদু য়ামা পাংদবগী থৌওংনি। মণিপুরদা তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লক্লিবা অসি থুগাইনবা শিল্লিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৈঙাকা অথুবদা লৌখৎকদবনি অমদি তুংদা অমুক হান্না থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- য়ুমাম খেমচান্দনা শাইতোনদা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- লুরবা তানফম অসিদা নৌনা হিংশাগী থৌদোকশিং থোরক্লিবা অসিনা মপান লমগী এজেন্সিশিংনা মণিপুরগী ইরাং অসি শাংথহন্দুনা খুদোংচাবা লৌরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। ভারত সরকারনা থৌদোক অসিবু লুমা লৌদুনা অথুবদা থিজিনবীনবা তকশিল্লক্লি।

ককচিং বার দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন, মণিপুর ইমা কংলৈপাক মৈতৈ লৈপাক সু শাইতোনদা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

দেদ বোদি (এল)ঃ হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী খোংজোম শঙ্গাইখোং খজিং কলভর্টকী নেসনেল হাইৱে-১০২ গী মনাক্তা ড্রগ ওভর দোজ ওইবনি চিংনবা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি।

খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়- শিরবা মীওই অদু ফিট ৫ ইঞ্চি ৫ ৱাংই, মমায় শাংই, কুলৈ কুচুনি, ওই থংবা খাইদা শমব্রু অনি থুংই, কেমোফ্লাক্স জেকেট অমসুং অমুবা মচুগী ত্রেক্ট পেন্ট শেৎলি, চহি ৩০ দগী ৪০ ফাওবা লেং ওইগনি। মীওই অদু য়েংবদা মীতৈ মাল্লি।

চান্দেল (এল)ঃ   চান্দেল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তোকপা চীং, বুংগ্রিং হায়নসু খঙনবা খুল অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপা চহি ৭৫ শুরকপগা প্লেতিনম জ্বিলি ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অনাল নাগা তাংপীগী প্রসিদেন্ট চাপা পাসেল মোনিহরিং অমদি অনাল্লোন চীফ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নুলা ৱোলহরিং শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা নিংশিং য়ুম্বী অমসু মায়খুম হাংদোকখি অমদি সোভিনিয়র অমসু ফোংখি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলস অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা লুচিংবা টিম অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী হুইকপ কম্ম্যুনিতি হোলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা ডোক্তরশিংনা খুঞ্জাশিংদা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি অমদি হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

মেদিকেল ঃ   লৈবাক অসিদা লৈরিবা মেদিকেলগী অখঙ অহৈশিংনা এন্তি বাইওতিক হেন্না শিজিন্নদনবা চেকশিন ৱা থম্লক্লি। মসিনা এন্ত্রি মাইক্রোব্রিয়েল রেজিষ্টেন্সতা চাউনা সমস্য থোরকপা য়াই।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মমাং থাদা পাঙথোকখিবা মনকি বাট প্রোগ্রামদা এন্তি বাইওতিক ডোক্তরশিং তান্নরবা মতুং নিতি নিয়ম চুমা শিজিন্ননবা ৱাফম ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

অকাশবানি নিউজগা উন্নবা অমদা এইমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মাইক্রো বাইওলোজিগী হেদ ডাঃ বিমল কুমার দাসনা হায়- তোইনা শিজিন্নবা এন্তি বাইওতিকশিংদা মখল কয়া বেক্তরিয়াশিং রেজিষ্টেন্স ওইরক্তুনা এন্তি বাইওতিক থারকপদা কান্নবা ফংলক্তে।

আইটি ঃ   গ্লোবেল এ.আই ইম্পেক্ট সম্মিৎ মথং থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আই.টি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা লাউথোকখ্রে।

রাজস্থান রিজনেল এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ ভারচুয়েল ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ অসি হান্নদি য়ুনাইতেদ কিংদম, সাউথ কোরিয়া অমদি ফ্রান্সনচিংবা মফমশিংদা পাঙথোক্লম্বনি। হন্দক্কী অসিনা ভারত্তা পাঙথোক্লগনি। মহাকা হায়- গ্লোবেল এ.আই. সম্মিৎ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শেম শাবা ওইনা লৈবাক অসিগা রাজ্য খুদিংমক্তা রিজনেল এ.আই. সম্মিৎ পাঙথোক্লি। মন্ত্রিনা হায়- হন্দক্তা মেঘালয় অমসুং উরিষাদা পাঙথোকখ্রে। রাজস্থানদনা ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিনি। শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- মথংগী চহি ফাওবদা নহা ওইরিবা মীওই লাখ ১০ রোম অমসুং অপিক অপিকপা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং এ.আই. স্কিলগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

ইসি ঃ  স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) লোইরবা মতুং ইলেক্সন কম্মিসন্না উত্তর প্রদেশকী দ্রাফট ভোতর লিষ্ট ফোংখ্রে।

লখনৌদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা রাজ্য অদুগী ইলেক্তোরেল ওফিসার নবদিপ রিংভানা হায়- দ্রাফট ভোতর লিষ্ট অসিদা ভোতর কোতি ১২ লাখ ৫৫ লিশিং ৫৬,০২৫ গী মীং য়াওরি। মহাকা হায়- অনৌবা দ্রাফট ভোতর লিষ্ট অসিগীদমক হান্নগী ভোতর লিষ্টতা য়াওবা মীওইশিংগী চাদা ৮১.৩০ না ফোর্ম ফিলঅপ তৌবদা নত্তনা মখোয় মখোয়গী মমিং রেজিষ্টর তৌরকখি। হৌজিক্কি ভোতর লিষ্ট অসিদা ভোতর কোতি ১৫ লাখ ৪৪ লিশিং ৩০,০৯২ য়াওরি।  মসিনা তাকপদি ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙসি ফোংলিবা অনৌবা দ্রাফট ভোতর লিষ্ট অসিদা মীওই কোতি ২ লাখ ৮৯ গী মীং য়াওদ্রে হায়বনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ  বি.সি.সি.আইগী দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬ কী শরুক অমা ওইনা শান্নরিবা বিজয় হজারে ত্রোফি প্লেটকী ফাইনেলদা মণিপুর রন্নর্সঅপ তারে। ঙসি রাঞ্চিদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বিহারনা মণিপুরবু ৱিকেট ৬ তা থোইখিবনি।

ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ইলিটকী মেটচ অমদা দিল্লিনা মণিপুরবু রন ৩২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ২২ সুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা কে.সি.সি কোংববু রন ৪৪ দা থোইখ্রে। হয়েং নপসা খা-ইম্ফাল অমসুং বি.এস.সি টিম-এ ললাম্বুং শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খাঙবোক পার্ট-থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা পি.সি.সি ময়াইকোইবীনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ট্রোফি অসিগী লমশাংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা এম.পি.এস.সি মণিপুর সেন্ট্রেল জেলনা অল অমিন লিলোংবু রন ৮০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে.সি.দি.ও কোংপালনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদনা আই.বি.এস.এ য়ুমাম লৈকাইনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ চহি অসিগী ইন্দিয়ান সুপর লিগ ক্লব অমসুং এফ.এস.দি.এলগী মরক্তা চয়েৎনবা খরা লৈবদগী মতম থেংথরবা মতুং মথং থাগী ১৪ দগী হৌরগনি হায়না কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি। লিগ মেটচ অসি হোম এন্দ অৱে ফোরমেটতা শান্নগনি।

বেদমিন্টন ঃ ভারতকী বেদমিন্টন শান্নরোই লক্ষ্মা সেন মালেসিয়াগী কোলালম্পুরদা চথরিবা মালেসিয়া ওপন ২০২৬ কী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা লক্ষ্মা সেন্না সিঙ্গাপুরগী জিয়া হেং জেসনবু ২১-১৬, ১৫-২১, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীখি।

------